# ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্টেন ওইরম্বা বাইচুং ভুতিয়ানা এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট মীরেপকীদমক মীৎয়েং থল্লি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): মমাঙদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেনগী থৌদাং লৌরম্বা ষ্ট্রাইকর বাইচুং ভুতিয়ানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ফমগীদমক মীখল শরুক য়াবগী মীৎয়েং থল্লি।

ৱাফম অসি সোসল মিদিয়া ফেসবুক্তগী মীয়াম্না হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা এ আই এফ এফগী প্রসিদেন্টকী মীখল শরুক য়াবা অসি মহাক্কী মীৎয়েংদা লৈরি হায়না পাউখুম পীখি।



সিক্কিমিস স্নাইপর হায়না খঙনবা অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় আই এন বিজয়ননা 'গোদস গিফট টু ইন্দিয়ন ফুটবোল' হায়না মীংথোল পীখ্রবা বাইচুং ভুতিয়ানা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা ফুটবোল টিমশিংদা শরুক য়াবা ঙম্বতা নত্তনা কুমজা ১৯৯৯গী ইংলেন্দগী ক্লব ব্যুরিদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপকী প্রোফেস্নেল ক্লব অমগা কনট্রেক্ট তৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং মলেসিয়াগী ফুটবোল ক্লব পেরাগ এফ এদা লোন ওইনা মতম খরা শান্নরমখি।

মহাক্না ইন্দিয়াগী সিনিয়র ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টর্নেসনল মেচ ১০০ শান্নবা ঙমখি। মদুদা পুন্না পাঞ্জল ২৭ চনখি।

কুমজা ১৯৯৫তা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা নেহরু ইন্টর্নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মশাগী চহী ১৮গা নুমিৎ ৯০নি শুরকপদা উজবেকিস্তানগা শান্নবদা করিয়রগী অহানবা ইন্টর্নেসনল গোল অদু চনবা ঙমখি।

মহাক্কী ইন্টর্নেসনল ফুটবোল করিয়রদা ফংখিবা টাইটলশিংগী মনুংদা নেহরু কপ, এল জি কপ, সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপ অমসুং এ এফ সী চেলেঞ্জ কপনি।

মহাক মশাম্না ফুটবোল শান্নরিঙৈ মনুংদা সিক্কিম ষ্টেটনা মহাক্কী মমিংদা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমা শাখি। ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা সিভিলিয়ন এৱার্দ ওইনা পদ্মশ্রী অমদি শান্নবগী লমদা আর্জুনা এৱার্দসু ফংখি।

কুমজা ২০১০গী ওক্টোবর থাদা ন্যু দিল্লিদা বাইচুং ভুতিয়া ফুটবোল স্কুল হাংদোকখি। মহাক্না ইকোন কোনবা ইন্টর্নেসনল মেচ অদু কুমজা ২০১২কী জন্যুৱারী থাদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্কা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নখিবা অদুনি।

হৌজিক এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রফুল পতেল কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৬তা প্রসিদেন্টকী মীখল মায় পাকখিবনি। অদুবু চহীসিদা পাঙথোক্কদবা মীখলদা চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না মখা তানা মীরেপ ওইবা য়ারোইদৌরি। হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনদি মহাক্কী মীৎয়েং অসি বাইচুং ভুতিয়া ফুটবোল স্কুল, য়ুনাইটেদ সিক্কিম ক্লব অমসুং সিক্কিমগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা গ্রাস রুট ফুটবোললদা মীৎয়েং চঙগনি হায়রি।

# পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দনা কুমজা ২০২৩-৩১গী সাইকলদা আই সী সীগী ইভেন্টশিং য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

করাচি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৯৬তা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ৱান দে ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ইন্দিয়া অমসুং শ্রি লানকাগা পুন্না য়ুম্বু ওইখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৩-৩১গী আই সী সীগী ইভেন্ট সাইকল অদু পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দনা য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।



কুমজা ২০০৯দা পাকিস্তানদা ক্রিকেট টুর লাকখিবা শ্রি লানকাগী টিমবু লাহোর সিটিদা মখোয়না তোংলকপা বস অদু নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা এটেক তৌরকখিবা অদুগী মতুং মতম শাংনা আই সী সীগী মখাদা পাঙথোকপা ইভেন্ট অমত্তা পাকিস্তানদা লৈখিদ্রবনি।

পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকী স্পোক্স পার্সন অমনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদা আই সী সীগী লৈরিবা গাইদলাইনশিংগী কাংলোন পুন্নমক পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০২৩-৩১গী মতমদা লৈবা আই সী সী ইভেন্টশিং য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা পাকিস্তাননা কুমজা ২০০৯গী মতুংদা অহানবা ওইনা শ্রি লানকাগী ক্রিকেট টিম্বু মখোয়না য়ুম্বু ওইরগা টেষ্ট মেচ শান্নখি। মদুগী মতুং চহীসিগী অঙনবা শরুক্তা বংলাদেশপু মখোয়না অমুক্কা হন্না য়ুম্বু ওইরগা টেষ্ট মেচ শান্নখি।

পাকিস্তাননা মখোয়গী মরমদমদা চহী ১০গী মতুংদা শ্রি লানকাগা অহানবা টেষ্ট মেচ শান্নখিবনি। হায়রিবা অফবা খোঙথাং লাকখিবা মতুং বংলাদেশকসু চহীসিগী অঙনবদা শান্নবা ঙমখি। ফিভম অসিদা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী ইভেন্ট সাইকলশিং অদু কুমজা ২০২৩-৩১গী মতমদা পাকিস্তানদা খরা য়ুম্বু ওইনহবা য়াবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোকখিবনি। আই সী সীগী চীফ একজিক্যুটিব মনু সোনিনা মেম্বর লৈবাকশিংদা চৎতুনা ইভেন্ট ২৮গীদমক ওফর কয়া ফংখ্রে হায়রি।

# য়ুরোপকী লৈবাক অমা ওইরিবা বেলারসতা ফুটবোল মেচশিং মখা তানা শান্নরবসু ভাবোকশিংনা বোইকোট তৌবা হৌরক্লি

মিন্সক, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): য়ুরোপতা ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লিবা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক অমা ওইরিবা বেলারসতা ভাবোকশিংনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা শন্দোরক্তুনা মীওই ১৭,২২,৩০৬ পোজিটিব ওইহল্লবা মতুং মীওই ১,০৪,৭৭৫ শীহনখ্রবা মতুং মেচশিং অদু বোইকোট তৌবা হৌরক্লি॥

বেলারসতা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই ২,২২৬ নাহনখ্রবনি। মদুগী মনুংদা মীওই ২৩ শীহনখি। অদুবু লৈবাক অদুদা মখা তানা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লি।

হান্না ফুটবোল মেচ অমদা মীৎয়েং তাবা লাক্লম্বা ভাবোকশিংগী মশিংদগী কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কা হেন্না হন্থখি। লোয়ননা ভাবোক কয়ানা লায়না অসি লৌনরক্কদ্রা হায়না কিবদগী য়েংবা লাক্লখিদবনি।

গ্রোদনো সিটিদা মফম অদুগী ক্লব এফ সী নেমান গ্রোদনোগা ঙরাং এফ সী বেলসিনা বোব্রুসকা শান্নখিবা মেচ অদুদা শুপ্নগী মীওই ২৫০ খক মীৎয়েং তাখি। মমাঙগী চহীদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৫০০ রোম য়েংবা লাকখিবনি।

লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর লুকাসেনকোনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা লোকদাউনগী খোঙথাং অদুদা য়াম্না অকনবা প্রেসর পীদ্রি। বেলসিনা ফুটবোল ক্লবকী কোচ এদৱার্দ গ্রাদোবোয়েবনা ফোঙদোকখিবদা ভাবোক লাকখিদবা অদু কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরু ওইবা মরমনি হায়খি। শান্নরোয়শিংনা ষ্টদিয়মদা ভাবোক লাকখিদবা অদু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা য়ুমদা লৈনবগী খোঙথাং অদু লৌখৎকদবনি হায়খি।

# স্কোটিস ফুটবোল লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা সেল্টিক এফ সীগী মেনেজর অমদি শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী তোলোপ হন্থবদা য়ানখ্রে

গ্লাসগো, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা শন্দোরক্তুনা মীওই ১৭,২২,৩০৬ পোজিটিব ওইহল্লবা মতুং মীওই ১,০৪,৭৭৫ শীহনখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই পুন্না ৩,৮৯,২৭৯ ফংহনবা ঙমখ্রবনি। অমরোমদা স্কোটলেন্দদা ঙসি ফাওবদা মীওই ৫,৫৯০ নাহনখ্রে। মদুদা ৫৪২ শীহল্লবা মতুং মীওই ৩১৫ ফহনবা ঙমখ্রবনি। ফিভম অসিদা স্কোটলেন্দগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা সেল্টিক্কী মেনেজর অমসুং শান্নরোয়শিংনা শোকচিল্লক্লিবা শেলগী ফিভম য়েংলুগা মখোয়গী তোলোপ হন্থদুনা লৈবাক অদুনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎ মায়োক্লবদা মতেং পাঙহল্লগনি হায়খি।



সেল্টিকী মেনেজর নিল লেনোননা ফোঙদোকখিবদা মহাক অমদি শান্নরোয়শিং লোয়ননা সপোর্ট ষ্টাফশিংনা লৈবাক অদুদা মায়োক্লরিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লিবা শেলগী ফিভম অদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী খরদা ওইরবসু মতেং পাঙনবা তোলোপ হন্থবদা অয়াবা পীখ্রে।

এপ্রিল থাদগীনা জুন থা ফাওবগী মনুংদা মেনেজর নিল লেনোন, শান্নরোয়শিং, সপোর্ট অমদি একজিক্যুটিব ষ্টাফশিংনা মখোয়গী তোলোপ্তুগী ককগদৌরিবা শেনফম অদুনা লৈবাক অদুনা লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্লবদা খরদা ওইরবু মতেং পাঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

সেলটিক ফুটবোল ক্লবকী চীফ একজিক্যুটিব ওইরিবা পিটর লোৱেলনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা নিল অমদি শান্নরোয়শিংবু লৈবাক্কী অৱাবা তারবা তাঙ্কক অসিদা ইকায় খুম্নবা উৎলি হায়খি। মখোয়দা নত্তনা ক্লব অদুগী একজিক্যুটিব টিমনসু পায়খৎলিবা খোঙথাং অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

স্কোটিস প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা ৯লক শুবা থংনা থংনবা টাইটল লৌননবা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাদগী পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা লৈরিঙৈ লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ফুটবোল মেচশিং লেপখিবনি।

মমাঙ চহীগী লোইশিল্লকপা থা ৬ অদুদা সেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা শেনেদাং ওইনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০ রোম ফংখি। অমরোমদা, সেল্টিক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা রেঞ্জস ফুটবোল ক্লবনসু কোচশিং, শান্নরোয়শিং অমদি দিরেক্টরশিংনসু থা ৩গী তোলোপ হন্থনা লৌরগা মতেং পাঙবগী ৱারেপ লাউথোকখ্রবনি।

অমরোমদা, ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী অয়াম্বা টিমশিং তোলোপ ককপগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদ্রি। অদুবু খ্বাইদগী নৌনা লাকপা খোঙথাং অমদা ৱেষ্ট হেম য়ুদাইটেদকী শান্নরোয়শিং অমদি মেনেজরসু মখোয়না ফংগদবা তোলোপশিং অদুদগী হন্থরগা মতেং পীনবা ৱারেপ লৌখি। অদুবু ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ইহান হান্না তোলেপ হন্থনা লৌরগা অরেম্বা অদুনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লাম্হেংনবদা মতেং ওইননবা লাউথোকখিবা অহানবা ক্লব ওইখি।

# টাজিকিস্তান হায়র লীগ ২০২০

# কুকটোসনা ইষ্টারাভসনবু ৩-০দা অদুগা ফায়িজকান্দনা রেগর-টাদ এ জেদপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে

ইষ্টারাভসন/কুলোব, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম খুদিংমক্তগী শান্নবগী ইভেন্টশিং য়েথোকপা নত্রগা তোকপগী খোঙথাং কয়া লৌখৎনখ্রবু এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা টাজিকিস্থানদা পাঙথোক্লিবা লৈবাক অদুগী হায়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কুকটোসনা ইষ্টারাভসনবু পাঞ্জল ৩-০দা অদুগা ফায়িজকান্দনা রেগর টাদ এ জেদপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।



থা অসিগী ৫দগী শান্নবা হৌরকখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইষ্টারাভসননা য়ুম্বু ওইদুনা সেন্ত্রেল ষ্টেদিয়মদা কুকটোসকা শান্নখিবা মেচ অদু অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা মায়কৈ অনীমক্তা লম্বা মান্নরা লৈখি। ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা কুকটোস অহানবা মেচ অদু দ্রো চৎখি। অদুবু ইষ্টারাভসনদি মায়থীবা নংখি।

হাফ লোইরবা মতুং ভাবোক য়াওখিদবা ষ্টেদিয়ম অদুদা টিম অনীমক্কী লম্বা মখা তানা মান্ননা লৈখি। শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা কুকটোসকী সোবির্দজোন খোলমাটোপনা টিমগী একাউন্দ হাংদোকখি। পাঞ্জল অদুনা কুকটোসকী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা থৌনা হাপকৎলক্তুনা মিনট ৪ লৈরগা অজিজবেগ সুলটোনোবনা ৮৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা ইষ্টারাভসনগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইরবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা পাঞ্জল ২ মাংজিল থাদুনা লৈরবা কুকটোসকী মায়কৈদগী দালর য়োদগোরোবনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেচ অদু মখোয়না ইষ্টারাভসনবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইরগা লোইশিনখি। মায় পাকপা অদুনা কুকটোসকী টিম মেচ ২দা অমা থোইরগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা টিম ১০গী টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি কুলোব সিটিদা লৈবা সেন্ত্রেল ষ্টেদিয়মদা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ফায়িজকান্দ অমসুং রেগর- টাদ এ জেদকী লম্বা তৌনখি। ফায়িজকান্দ মমাঙদা মেচ অমা শান্নখিবদা দ্রো চৎখিবনি। অমরোমদা রেগর- টাদ এ জেদসু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম ফংলগা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপা য়াম্না ঙন্না ফায়িজকান্দগী মায়কৈদগী অথুবা এটেক অমা চথখি। মদুগী মখা তারকপদা এটেক অদুবু রেগর টাদ এ জেদনা কাংলোনগী ৱাংমদা বোল অদু পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা থিংনবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ফায়িজকানগী সাউওদি কোভুসোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ঙন্না মাংজিল থারগা লৈখি।

মেচকী মখা চথরকপা অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতমদা রেগর-টাদ এ জেদনা ইক্কেলাইজর ফংনবা কন্না হোৎনখিবা অদু মিনিট ৪৫ লোইশিনবা ফাওবা ঙমখিদে। অদুবু হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় খোদঝিয়াকবর উজেকোপনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি।

হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমমম লৈনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক মখা তানা অকনবা লম্বা অমুক থেংনখি। ৭৭শুবা মিনটতা রেগর-টাদ এ জেদকী শান্নরোয় সার্দোরবেগ ইমিনোবনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ফয়িজকান্দবু মখোয়না ২-১দা মাংজিল থাখি। অদুবু মখোয়না মাংজিল থাখিবা অদু মতম কুইনা লৈবা ঙমখিদে। ফয়িকান্দগী মায়কৈদগী দালরজোন টুক্তাসুনোবনা ৭৯শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর চল্লগা মেচ অদু হেন্না ফজরকখি।

মেচ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ফয়িজকান্দগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ভেসিদিন সফারোবনা ৮৫শুবা মিনটতা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চল্লগা রেগর-টাদ এ জেদপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

মায় পাকপা অদুনা মরম ওইরগা ফয়িজকান্দ মেচ অনীদা হান্না ফংখিবা পোইন্ট অমগা থারগা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংলগা কুকটোসকা মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা কুকটোসনা হেনবদগী মাংজিল থারি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা লোকোমোতিভ পামিরনা দুসানবে-৮৩বু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্টর্নেসনল টেন্নিস ফেদরেসনগী চীফনা সটদাউন মতমদা শান্নরোয়শিংনা লোকেলগী সপোর্ট লৌনবা হায়খ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শান্নবগী ওইনা সটদাউনগী মতম অসিদা ইন্টর্নেসনল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ)কী চীফ ওইরিবা দেবিদ হেগর্টিনা টেন্নিস শান্নরোয়শিংদা মখোয় মখোয়গী লোকেল লৈঙাকশিংগী মায়কৈদগী খুদোংচাবা ফংবদা মতেং লৌননবা খঙহনখ্রে।



চহীসিগী মার্চকী অঙনবা শরুক্তগী লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা টেন্নিসগী সিজন লেপখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা শেলগী মনা হন্থবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা শেল খরা খরা ফংলম্বা শান্নরোয়শিং শেল তানবগী লম্বেল লৈরকখিদবনি।

নুপাগী ওইনা এ টি পি টুর অমসুং নুপীগী ওইনা দব্লীয়ু টি এগী টুর্নামেন্ট পুন্নমক চহীসিগী জুলাইগীময়াই চনশিল্লক্লবা ফাওবদা শান্নবা য়ারোইদৌরিবনি। মসিগী অচৌবা মরমদি কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা লোকদাউনগী খোঙথাং লৌখৎলকপননি।

হৌখিবা চয়োলদা ২শুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতুংদা অহানবা ওইনা ইংলেন্দদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট য়েথোকখ্রবনি। লোয়ননা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট হান্না লেপ্পলম্বা মে থাগী মতম অদু সেপ্টেম্বরদা য়েথোকখি।

আই টি এফ, এ টি পি, দব্লীয়ু টি এ অমসুং গ্রান্দ স্লামশিংনা শান্নবা লেপ্লিঙৈ মনুং অসিদা শান্নরোয় খক্তা নত্তনা টুর্নামেন্টশিং, ওফিসলশিং, কোচ অমদি ভাবোকশিংগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পীরক্কদবা শাফু অদুগী মতাংদা লেপ্পুনা খন্ন-নৈনরি হায়না আই টি এফকী প্রসিদেন্ট দেবিদ হেগর্টিনা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, জিওর্জিয়াগী নুপীগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৩৭৫তা লৈরিবী সোফিয়া সপাটাভানা লোৱর লেভেল টুর্নামেন্টতা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী মতেং নীবা চেরোল পীরকখ্রবনি।

# ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ক্লব লিভরপুলগী লিজেন কেনি দালগ্লিস কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে

লন্দন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব লিভরপুলগী লিজেন কেনি দালগ্লিস কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরে হায়না মহাক্কী ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকখ্রে।



মশাগী চহী ৬৯শুরবা মমাঙদা স্কোটলেন্দগী ক্লব সেল্টিক্কী ষ্ট্রাইকর ওইরম্বা অদুগা মখা তারকপদনা ইংলেন্দগী লিভরপুল ফুটবোল ক্লবকী মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইখিবা কেনি দালগ্লিস ইমুং মনুংগী ৱারোলদা হৌখিবা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা ইনফেক্সন অমগীদমক হোস্পিটালদা এদমিট তৌবনি। কোভিদ-১৯গী লায়ওং উৎখিদ্রবসু টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখিবনি হায়না মখা তারি।

হোস্পিটাল চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা দালগ্লিসনা লৈবাক অদুগী মায়কৈদগী থল্লকপা ভোলুন্টরি সেল্ফ আইসোলেসনগী মতম অদু মহাক্কী ইমুং মনুংশিংগা লোয়ননা মতম শাংনা লৈরকখিবনি। দালগ্লিসনা ফোঙদোরকপদা ইংলেন্দ লৈঙাক অমদি এক্সপার্টশিংগী এদভাইজরিশিং অদু লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিং অমদি চয়োলশিংদা মপুংফানা ইন্ননবা হায়খি।

দালগ্লিসনা স্কোটলেন্দগী সেল্টিক্কী শান্নরোয় অমা ওইনা স্কোটিস লীগ টাইটল ৪রক ফংখি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৭৭দা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবতা শান্নবা হৌখিবদগী রিটায়রমেন্টসু ক্লব অদুদা অদুমক লৌখি। মহাক্না লিভরপুলদা শান্নরিঙৈদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ টাইটল ৮লক লৌবদা শরুক য়াখি। মদুদা নত্তনা এফ এ কপ টাইটল অহুম্লক অমদি য়ুরোপিয়ন কপ টাইটল অহুম্লক লৌদুনা শান্নরোয় অমা ওইনা চহী ১৩ হেন্না লিভরপুল ফুটবোল ক্লবকী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিকখি।

মহাক্কী লিভরপুল করিয়রদা পুন্না মেচ ৫১৫ শান্নবদা পাঞ্জল ১৭২ চনবা ঙমখি। মহাক্না স্কোটলেন্দগী ইন্টর্নেসল মেচ ১০০ হেন্না শান্নখি। মহাক্কী লম অদুদা থোইদোক্না ফজখিবগীদমক কুমজা ২০১৮দা ক্যুইন ইলিজবেত ২না নাইটহুদ পীখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com